# সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিকতা খুৎলাই পায়বা রেবেলশিংনা চত্থরকখিবা এটেকতা মীচম ৬ শিরে

বানগুই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) :

সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সী এ আর) গী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা খুৎলাই পায়বা রেবেলশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৬ শিহনখ্রে হায়না সী এ আরদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্স পিছ কিপ্পিং মিসননা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এনগী ৱাঙাঙলোয় অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থ্রি আর (রিটর্ন, রিক্লেমেসন, রিহেবিলিটেসন) না মান ভিলেজদা লৈবা সেন্ত্রেল অফ্রিকান আর্মী পোজিসনদা অকনবা মওংদা এটেক চত্থরকখিবনি। এটেক অদুদা মীচম ৬ শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখি। সী এ আরগী কোনুং বানগুইদগী অৱাং থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ৫৫০ রোম চৎলগা লৈবা মান ভিলেজদা খুৎলাই পায়বশিংনা এটেক চত্থখিবগী পাউ হেক ফংবগা অহেনবা ফোর্সশিং খুঙ্গং অদুদা দিপ্লোয় তৌখি।

হৌজিক ঈৱাং অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখিবগা লোয়ননা য়াল্লবা গ্রুপশিংনা মান ভিলেজ অকোয়বদা পেট্রোলিং চত্নুনা লৈরি হায়না লেফটনেন্ট কোলোনেল অবদৌলাজিস ফালনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থ্রি আর অসি সী এ আরদা লৈবা খুৎলাই পায়বা মপাঙ্গল কনবা রেবেল গ্রুপশিংগী মনুংদা অমনি।



কুমজা ২০১৩ দা থোকখিবা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা থ্রি আর রেবেল গ্রুপ অসি সী এ আরদা ফোম তৌখিবনি। সী এ আরদা ফোষ্টিন-অর্কেন্সনা প্রসিদেন্ট ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর থাদা অমুক হন্না মায় পাক্লকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদগী রেবেল গ্রুপ অসিনা তকথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদসু থ্রি আর রেবেল গ্রুপ য়াওনা লৈবাক অদুগী অতোপ্পা রেবেল গ্রুপশিংনা বেলোটশিং হেম্পর তৌনবা হোৎনখি।

মতমদুদগী হৌরগা সী এ আরগী আর্মীশিংদা য়ু এন পিছ কিপ্পর, ৱানদান স্পেসল ফোর্সশিং অমসুং রসিয়ন পেরামিলিটরিনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মতেংশিং অসিগা লোয়ননা সী এ আরদা রেবেল গ্রুপশিংনা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরম্লবা মফম অয়াম্বা হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অমুক হন্না লৌশিনবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০১৮ দগী হৌরগা রসিয়ানা সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিকতা খুৎশু খুৎলাইগী অহেনবা মতেং কয়া পাংদুনা লাক্লি। মোস্কোনা সী এ আরদা মখোয়গী ত্রুপশিং থাদুনা সী এ আরগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং ত্রেনিং তৌবগী থবকশিংসু লেপ্পা লৈতনা চত্থদুনা লাক্লি।

রেবেল গ্রুপশিং অদুগা মায়োক য়াবদা রসিয়ন পেরামিলিটরিশিংনা হকচাংগী ওইবা মতেং পাংবগা লোয়ননা সী এ আরগী ফোর্সশিংবু মপাঙ্গল হেন্না কলহন্নবগীদমক অপিকপা খুৎলাইশিংদগী হৌরগা মপাঙ্গল কল্লবা খুৎশু খুৎলাই কয়া মতেং পীদুনা লাক্লি। অমরোমদা সী এ আরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুবু য়েংশিন্নবগীদমক লৈরিবা য়ু এন পিছ কিপ্পিং মিসননা মোস্কোনা সী এ আরদা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চত্থরে হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা মরম লৈতনা রসিয়ান পেরামিলিটরিশিংনা মী হাৎপা অমদি লুট পাৎ তৌবগী থবকশিং চত্থরি হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

অমরোমদা মোস্কোনদি য়ু এনগী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সী এ আর মনুংদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদা রসিয়ান পেরামিলিটরিশিংনা খুৎ থিংজিনবা লৈতে অমদি মতম অয়াম্বদা পেরামিলিটশিং অদুনা খুৎলাই শীজিন্নদনবা হোৎনরি। রসিয়ানদি সী এ আরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং ত্রেন তৌনবগীদমক ইন্সট্রকটর ৫০০ রোম দিপ্লোয় তৌদুনা থম্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু য়ু এন এক্সপার্টশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্নদি সী এ আরদা রসিয়ানা মখোয়গী ত্রুপ ২,০০০ রোম দিপ্লোয় তৌদুনা থম্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা সুমাত্রান কৈ ২ কোভিদ-১৯ দগী রিকোভর তৌরকখ্রে

জকার্টা, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) :

ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা জকার্টাগী জুদা লৈবা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা সুমাত্রাগী কৈ অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুরবা মতুং তপ্না তপ্না ফগৎলকপা ঙমখ্রে হায়না জকার্টা সিটি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



মশাগী চহী ৯ লোম শুরবা টিনো অমসুং চহী ১২ রোম শুরবা হরি কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা হীদাক লাংথকশিং চাং নাইনা পীজবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক য়াম্না চেকশিন্না ভেটরিনরিয়ান শিংনা মোনিতর তৌদুনা রগুনান জুদা থম্লি হায়না জকার্টা পার্ক এন্দ অরবান ফোরেষ্ট এজেন্সিগী মকোক থোংবা সুজি মার্সিটৱাতিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা থা অসিগী ৯ দা টিনোদা ইহান হান্না কোভিদ-১৯ গী সিন্তোমশিং উবা হৌরকখি। মতমদুদা মহাক হকথি খনবা, শ্বর হোনবদা নুংঙাইতবা মানবা অমদি চাবগী চাং য়াম্না হন্থরকখি। মদুগী মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা হরিসু হায়রিবা সিন্তোমশিং অসি লাকপা উখিবনি। সুমাত্রান কৈ অনীমক্তা চিংননিংঙাই ওইবা খুদমশিং হেনগৎখ্রবা মতুং জুলাই ১৪ দা সেম্পলশিং লৌদুনা টেষ্ট তৌরুবদা কৈ অনী অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখিবনি।

ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা মালেমগী ওইনা য়াম্না তাঙবা অমদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা কৈ অনী অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখিবা অসি য়াম্না ঙকনিংঙাই ওইবা থৌওং অমা ওইরি। অদুমওইনমক ওথোরিটিশিংনা য়াম্না চেকশিন্না কৈ অনী অসিবু মোনিটর তৌদুনা লাক্লি। নুমিৎ ১২ হীদাক লাংথকশিং চাং নাইনা পীজরবা মতুং কৈ অনী অসি হান্নগুম্না মশা খিংবা হৌরকখিবগা লোয়ননা চাবা থকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি হায়না সুজিনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জু ওথোরিটিশিংনা মতৌ করম্না কৈ অনী অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবনো হায়বদুগী মতাংদা অকনবা মওংদা থিজিনবগী থবক চত্থরি। ইন্দোনেসিয়াদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরী লৈননা জু অসিসু মীওই অমত্তা চঙহন্দনা থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। জু অসিগী ষ্টাফশিং অমদি ক্যের টেক্করশিংসু মশক খঙদোক্তুনা ওথোরিটিসু কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা টেষ্টশিং পাঙথোকখ্রে।

## য়ুম কয়া মৈনা চাকখ্রে মীওই ৫ হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে



এথেন্স, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):

গ্রিসতা হৌজিক হৌজিক অকনবা মওংদা চাক্লিবা লাম্মৈনা মরম ওইরগা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মহৈ মরোং থাবা মফম কয়াসু মাঙহনখ্রে। লোয়ননা মৈ চাকপদগী পাইথোরকপা মৈখুনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তবদগী মীওই ৫ হোস্পিটালদা পুখত্নুনা লায়কন্নখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গ্রিসকী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা অহুমশুবা সিটি ওইরিবা পত্রাসদা লৈবা উমংশিংদা হৌজিকসু অকনবা মওংদা লাম্মৈ চাক্লি। মফমসিদা চাক্লিবা লাম্মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা ফায়রফাইটর ১৪৫ রোম হেনবনা থবক তৌরি। মসিদা নত্তনা ত্রক ৫০, ফায়রফাইটিং প্লেন ৮ অমসুং হেলিকোপ্টরশিংনসু কৈ কনবগী থবক অদুদা অচৌবা মতেং পাংশিল্লি।

এথেন্সতগী কিলোমিটর ২১০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অসিদা চাক্লিবা মৈ অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি কন্ত্রোল তৌবা ঙমদ্রি। লাম্মৈ চাক্লিবা উমং অদুগী অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গং ৫ দগী মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা মরী লৈনবশিংনা পুথোরকপা হৌখ্রে। লোয়ননা লম কোয়বশিং মফমদুদা চঙলকপদা মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমখ্রে। সিভিল প্রোটেক্সন ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবদা য়ুম কয়াসু লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা অমাং অতা থোরকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মীওই চা কয়া লৈফম লৈতবগী অৱাবা চাওনা মায়োক্লহল্লি। পত্রাসতা লৈবা মোটোরৱে অমসু ওথোরিটিশিংনা থিংজিনখ্রে। মতম খরদি মীয়াম্না উমং মনাক নক্সা চঙদনবা ওথোরিটিশিংনা খঙহল্লক্লি।

## চহী ২গী মনুংদা ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে

য়াঙোন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা হৌজিক হৌজিক পৱার পায়রিবা মিলিটরি জুন্টানা লৈবাক অদুদা চহী অনীগী মনুংদা মীয়াম্না পাল্লিবা ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না থাজবা পীখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২৩ গী ওগষ্ট থা ফাওবা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি থমখ্রে।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী ওইবা গভর্ণমেন্ট অদুবু ইন্থুখিবগা লোয়ননা পৱার পায়শিন্দুনা লাকখিবনি। মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু ইন্থুবগা লোয়ননা মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা মিলিটরিনা থা ৬ রোম হাউ এরেষ্ট তৌদুনা লাক্লি। মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মীয়াম্না কা হেনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফম কয়াদা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অমদি মিলিটরিগী ময়োক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৯০০ হেন্না শিহনখ্রে অমদি কয়া অমনা ফাজিন্দুনা থম্লি। হৌজিকসু মীয়াম্না লৈবাক অদুদা খোঙজং চঙশিনবা লেপ্পা লৈত্রি। অদুমওইনমক মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ অদুবু তাবগী মহুত্তা চহী অনীগী মনুংদা ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না মিলিটরি জুন্টানা লাওথোরকখিবগা লোয়ননা জুন্টাগী লুচিংবা মিন আং লাইংবু ইলেক্সন পাঙথোক্লিবা ফাওবা ট্রাঞ্জিসন গভর্ণমেন্ট অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খল্লে হায়নসু লাওথোকখ্রে।

## টালিবানশিংগী লোৎফম অমা গভর্নমেন্ট ফাইটরশিংনা থুগাইখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী কানধহার প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদা অফঘান গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিংগী লোৎফম অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থদুনা টালিবান ফাইটর ১০ হেন্না হাৎখ্রে হায়না ক্লেইম তৌরকখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নঙহনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অফঘান গভর্নমেন্ট ফোর্সকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, কানধহার প্রোভিন্সকী মনুং চনবা ঝেহারি দিষ্ট্রিক্তা লৈবা টালিবান ফাইটরশিংগী লোৎফমদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মায় পাক্লা এটেক অদু চত্থখিবনি। হৌখিবা পুঙ ২৪ গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্স অদুগী অচৌবা সিটিশিংদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মায় পাক্লা এটেক্ট চত্থদুনা পুন্না টালিবান লালহৌবা ২৫০ হেন্না হাৎখ্রে অদুগা ১০০ হেন্না অশোক অপন নঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা টালিবান ফাইটরশিংনসু য়ু এস ট্রুপশিং লৈবাক অদুদগী লৌথোকখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা অকনবা লান্দা কয়া চত্থদুনা লাক্লি।

## চাইনানা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মীওই মিলিয়ন কয়া টেষ্ট তৌখ্রে

বৈজিং, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাইদ তৌখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা চাইনাদা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিনা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না চাইনাদা লৈবা মীওই মিলিয়ন কয়া কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোকখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুঙ ২৪ গী মনুংদা চাইনাদা লোকেল ট্রান্সমিসনগী কেস মশিং ৫৩ য়াওনা পুন্না কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস ৭৫ থেংনখি। জিয়াংসু প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা নাঞ্জিং এয়রপোর্টতা দেল্টা ভেরিয়েন্টকী কেস অসি ইহান হান্না থেংনরকখিবগা লোয়ননা খঙহৌদনা নাঞ্জিংগী মফম খরদা থুনা য়াংনা ভাইরস মখল অসি শন্দোকপা হৌরকখিবনি। ভাইরস মখল অসি শন্দোকপা হৌরকখ্রবা মতুং নাঞ্জিংগী অকোয়বা মফমশিং ওথোরিটিশিংনা থিংজিনখ্রবনি। অদুমওইনমক ভাইরস মখল অসি মখা তানা অদুম্মক শন্দারকপা থেংনরকপদগী প্রোভিন্স অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক পাক শন্না টেষ্ট তৌথোক্লবা মরী লৈনবশিংনা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা ঙসিদগী হৌরগা মাস টেষ্টিং পাঙথোকপা হৌখিবনি। ঙসিখক্তদা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না টেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা চখোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা খরা থম্বা হৌখ্রে হায়রি।


## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 198,507,862 | +534,989 | 4,232,436 | +8,901 | 179,250,410 | 15,025,016 |
| 1 | USA | 35,745,024 | +51,898 | 629,315 | +241 | 29,666,117 | 5,449,592 |
| 2 | India | 31,654,584 | +41,790 | 424,384 | +542 | 30,812,873 | 417,327 |
| 3 | Brazil | 19,917,855 | +37,582 | 556,437 | +925 | 18,619,542 | 741,876 |
| 4 | Russia | 6,265,873 | +23,807 | 158,563 | +792 | 5,608,619 | 498,691 |
| 5 | France | 6,127,019 | +23,471 | 111,867 | +43 | 5,700,815 | 314,337 |
| 6 | UK | 5,856,528 | +26,144 | 129,654 | +71 | 4,508,650 | 1,218,224 |
| 7 | Turkey | 5,727,045 | +22,332 | 51,332 | +79 | 5,454,360 | 221,353 |
| 8 | Argentina | 4,929,764 | +10,356 | 105,721 | +135 | 4,569,552 | 254,491 |
| 9 | Colombia | 4,785,320 | +9,029 | 120,723 | +291 | 4,578,519 | 86,078 |
| 10 | Spain | 4,447,044 | | 81,486 | | 3,711,200 | 654,358 |
| 11 | Italy | 4,350,028 | +6,513 | 128,063 | +16 | 4,134,680 | 87,285 |
| 12 | Iran | 3,871,008 | +19,846 | 90,630 | +286 | 3,367,272 | 413,106 |
| 13 | Germany | 3,776,721 | +1,816 | 92,171 | +10 | 3,653,300 | 31,250 |
| 14 | Indonesia | 3,409,658 | +37,284 | 94,119 | +1,808 | 2,770,092 | 545,447 |
| 15 | Poland | 2,882,938 | +152 | 75,261 | +2 | 2,653,700 | 153,977 |
| 16 | Mexico | 2,829,443 | +19,346 | 240,456 | +459 | 2,204,109 | 384,878 |
| 17 | South Africa | 2,447,454 | +12,418 | 72,013 | +334 | 2,222,338 | 153,103 |
| 18 | Ukraine | 2,252,785 | +916 | 52,945 | +15 | 2,186,863 | 12,977 |
| 19 | Peru | 2,111,393 | +2,099 | 196,353 | +62 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,865,511 | +2,925 | 17,827 | +6 | 1,668,004 | 179,680 |
| 21 | Czechia | 1,673,577 | +140 | 30,374 | | 1,640,594 | 2,609 |
| 22 | Iraq | 1,626,599 | +10,215 | 18,657 | +62 | 1,464,273 | 143,669 |
| 23 | Chile | 1,615,771 | +1,142 | 35,448 | +82 | 1,570,492 | 9,831 |
| 24 | Philippines | 1,588,954 | +8,136 | 27,889 | +167 | 1,500,097 | 60,968 |
| 25 | Canada | 1,430,825 | +342 | 26,598 | +6 | 1,397,641 | 6,586 |
| 26 | Bangladesh | 1,249,484 | +9,369 | 20,685 | +218 | 1,078,212 | 150,587 |
| 27 | Belgium | 1,124,715 | +1,764 | 25,241 | +6 | 1,059,896 | 39,578 |
| 28 | Malaysia | 1,113,272 | +17,786 | 9,024 | +165 | 914,639 | 189,609 |
| 29 | Sweden | 1,100,040 | | 14,617 | | 1,076,030 | 9,393 |
| 30 | Romania | 1,083,189 | +156 | 34,286 | +3 | 1,047,723 | 1,180 |
| 31 | Pakistan | 1,029,811 | +4,950 | 23,360 | +65 | 940,164 | 66,287 |
| 32 | Portugal | 968,631 | +2,590 | 17,361 | +17 | 902,014 | 49,256 |
| 33 | Japan | 913,480 | +10,469 | 15,184 | +11 | 834,967 | 63,329 |
| 34 | Israel | 874,018 | +2,675 | 6,473 | +4 | 849,081 | 18,464 |
| 35 | Hungary | 809,491 | | 30,026 | | 748,157 | 31,308 |
| 36 | Jordan | 770,712 | +562 | 10,032 | +12 | 750,518 | 10,162 |
| 37 | Serbia | 721,918 | +298 | 7,114 | +2 | 710,555 | 4,249 |
| 38 | Switzerland | 717,665 | | 10,906 | | 692,101 | 14,658 |
| 39 | Nepal | 695,389 | +2,280 | 9,857 | +23 | 654,177 | 31,355 |
| 40 | UAE | 680,858 | +1,537 | 1,949 | +6 | 658,198 | 20,711 |
| 41 | Austria | 659,056 | +538 | 10,737 | | 643,027 | 5,292 |
| 42 | Morocco | 623,528 | +7,529 | 9,785 | +53 | 561,930 | 51,813 |
| 43 | Thailand | 597,287 | +18,912 | 4,857 | +178 | 391,920 | 200,510 |
| 44 | Tunisia | 589,565 | +3,419 | 19,686 | +183 | 510,696 | 59,183 |
| 45 | Kazakhstan | 572,576 | +7,691 | 5,866 | +86 | 473,344 | 93,366 |
| 46 | Lebanon | 561,380 | +984 | 7,906 | +3 | 537,111 | 16,363 |
| 47 | Saudi Arabia | 525,730 | +1,146 | 8,237 | +11 | 506,089 | 11,404 |
| 48 | Greece | 493,304 | +2,752 | 12,940 | +17 | 446,985 | 33,379 |
| 49 | Ecuador | 487,372 | +828 | 31,631 | +40 | 443,880 | 11,861 |
| 50 | Bolivia | 472,813 | +855 | 17,806 | +22 | 407,072 | 47,935 |

# অফঘানিষ্টানদা ঈশিং ঈচাওনা শিহনখিবা মী মশিং ১০০ হেনখ্রে, কয়া অমা থিবা ফংদনা লৈরি : ওফিসল

কাবুল, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী নুরিসষ্টান প্রোভিন্সকী নোংপোক থংবা শরুক্তা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওনা শিহনখিবা মশীং ১১৩ শুখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া থিংবা ফংদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।



নুরিষ্টান প্রোভিন্সকী মনুং চনবা কামদেস দিষ্ট্রিক্তকী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা ঈশিং ঈচাও অদু থোকহনখিবনি। টালিবাননা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরিবা প্রোভিন্স অদুদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অদুনা য়ুম কয়াসু অমাং অতা থোকহনখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। প্রোভিন্স অসি অফঘানগী কোনুং কাবুলদগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈরি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী চুরকখিবা অকনবা নোংনা প্রোভিন্স অসিদা ঈশিং ঈচাও থোকহনখিবনি হায়রি।

অফঘানগী নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ৱাঙাঙলোয় অব্দুল সমাই জর্বিনা ফোঙদোকখিবদা নুরিষ্ট্রান প্রোভিন্সতা লৈবা য়ুম ১৭০ ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা ইমুং ৩০০ লোম লৈফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লহল্লি। ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৪ অশোক অপন নংহনখ্রে। অদুমওইনমক শোকপগী চাং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবদি লৈরি।

কামদেস দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মরু ওইবা থোং অমসু ঈচাও অসিনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চানা থক্লবা পোৎলমশিং অমদি মেদিকেল সপোর্ট পীনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। অমরোমদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিরিবদি হায়রিবা মফম অসি টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরিবা মফম অমনি। মফম অসিদা গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিশিংনা চঙশিন্দুনা ভিক্তিমশিংবু মতেং পাংবা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে হায়না ষ্টেট মিনিষ্ট্রি ফোর দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কানধাহার এয়রপোর্টতগী পাইগদবা ফ্লাইট সার্ভিস খুদিংমক কেন্সেল তৌখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা কানধাহার প্রোভিন্সকী এয়রপোর্টতা রোকেট অহুম কাপশিন্দুনা এটেক চত্থরকখ্রবা মতুং এয়রপোর্ট অদুদগী পাইগদবা ফ্লাইট সার্ভিস খুদিংমক কেন্সেল তৌখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা এয়রপোর্ট চীফ মসুদ পাষ্টুননা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং নুমিদাং এয়রপোর্টতা রোকেট অহুম কাপশিল্লত্তুনা এটেক অদু চত্থরকখিবনি। মদুদা রোকেট অনী রনৱেদা তাশিন্দুনা পোকখায়বদগী অমাং অতা থোকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা এয়রপোর্ট অদুদগী পাইগদবা ফ্লাইট সার্ভিসশিং তঙাইফদনা কেন্সেল তৌখিবনি। হৌজিক হৌজিক রনৱে অদু শেমজিন শাজিনবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। অথুবা মতমদা ফ্লাইট সার্ভিসশিং রিজ্যুম তৌনবা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী হোৎনরি।

লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না এটেক অদু টালিবান ফাইটরশিংনা চত্থরকখিবনি। কনধহার প্রোভিন্সতা টালিবান ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা এটেক চত্থখিবগা লোয়ননা প্রোভিন্স অদুবু মখোয়না কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনরি। টালিবাননা অফঘানিষ্টানগী মরু ওইবা প্রোভিন্স কয়া কন্ত্রোল তৌবা ঙমখ্রে। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনসু কন্না হোৎনদুনা টালিবান ফাইটরশিংবু তকথোক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক হৌজিকমক্কী ওইনদি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিং ময়োক য়াবদা চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি।


No.1/RO/Election/IUCB/2021
OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE
ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS
OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD
M.G.AVENUE, IMPHAL.

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 30th July 2021

No. 1/RO/Election/IUCB/2021: Notice is hereby given to all the Delegates of the Bank for the term 2017-2018 to 2021-2022, the Election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. scheduled on 2-12-2018 was not held in time due to litigation in different law courts. However, by the Judgment Order dt. 21-6-2021 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in W.P.(C) No. 1009 of 2019 with WP©1059 of 2019 with WP( C) No. 207 of 2019 with MC (WP( C) No. 17 of 2020 (Ref. W.P( C) No. 1009 of 2019 with MC (WP ( C) No. 19-2020 (Ref. WP ( C) No. 1059 of 2019 with MC (WP ( C) No. 171 of 2019 Ref. ( W.P. ( C) No. 207 of 2019 with MC W.P.( C) No. 33 of 2020 (ref. MC W.P © No. 17 of 2020 ( Ref. WP © No. 1009 of 2019 , has directed to proceed with the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank in view of the Notice dated. 20-11-2018 issued by the Returning Officer . In this regard, the R.C.S., Manipur vide letter No. B-Coop/1/IUCB/Case /2019 dt. 09-07-2021 has also directed to proceed with the Election of the Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd in pursuance of the above mentioned Judgment Order of the Hon'ble High Court of Manipur.. Accordingly, the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. for the term 2017-2018 to 2021-2022 will be held on the date, time and place as given below.

| Date of Election | Venue | Poll hour |
|---|---|---|
| Tuesday, 17-08-2021 | City Convention, Palace Gate Imphal East. | 10.00 a.m. to 3.00 p.m. |
| | | |

Therefore, all concerned Delegates are requested to attend in time.

Sd/- T.Pradwipkumar Singh
Returning Officer
Election to the Delegates and Board of
Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd

HL-P/6373/1,2,3